অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.০৪°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.১৯°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.৩৯
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫২

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 81.280851 |
| US Dollar | 79.510428 |
| British Pound | 96.151144 |
| Australian Dollar | 55.456905 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.769556 |
| Japanese Yen | 0.589192 |
| Malaysian Ringgit | 17.840009 |
| Singapore Dollar | 57.720693 |
| South Korean Won | 0.060636 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.202781 |
| Thai Baht | 2.235842 |

## GAS NEWS

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 26-07-22
**B/upto - 29-07-22**
**Stock-612**
7am to 10am
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 09 am to 12 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking- Upto date .**
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1. also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL.
Encourage online payment.
Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.
**TDK GAS**
**BK. UPTO 19/06/22.**VF.13/06/22.
STK.306.
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
TIMING 9:00 AM TO 01:00 PM
**BOOKING: UPTO DATE, 20 days gap from last delivery**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
FOR ALL SINGJAMEI AREA 7628077876
7085198900 (ENQUIRY)
7628077876 (COMPLAINT)
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 26/07/2022
**BOOKING UPTO: 27/07/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
**M/S ASHANGBI INDANE, SUGNU.**
**B/UPTO-10-07-2022**
V/frm-1-07-2022
Stk-306.
Only home delevery call -7629966437. 9am to 2pm.
**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
**Booking upto 24/06/22**
Valid from 20/06/22
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)
**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (8798905834)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking 28/07/2022**
Valid from 18/07/2022
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837

## পোলিটিসিয়নশিংনা ষ্টেটশিংগী...

*লামায় ১গী মখা...*এসোসিএসন অমদি এদিটর্র্স গিল্ড ওফ ইন্দিয়াগী দা. সুমন গুপ্ত, প্রেস ক্লব ওফ কোলকাটাগী অস্নু চক্রবোর্টি, ওড়িষা য়ুনিয়ন ওফ জর্নেলিষ্ট অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গল য়ুনিয়ন ওফ জর্নেলিষ্ট কিংশুক প্রমানিক অমসুং প্রজানন্দ চাউধরি, চান্দিগড় পঞ্জাব য়ুনিয়ন ওফ জর্নেলিষ্টকী বিনোদ কোহলি, মুম্বাই প্রেস ক্লবকী গুরবির সিংহ, ওড়িষা য়ুনিয়ন ওফ জর্নেলিষ্টকী প্রসন্ন কুমার মোহন্তি, ওল ইন্দিয়া স্মোল ন্যুজপেপর এসোসিএসনগী এল সী ভারতিয়া, আর্টি ত্রিপাথি, শ্যাম সিংহ পনৱর অমদি প্রেস ট্রষ্ট ওফ ইন্দিয়া (পি টি আই)গী জি সুধাকর নায়রননচিংবনা মখোয়গী ষ্টেটশিংদা মরুওইনা জর্নেলিষ্টশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা ৱাফমশিং পুখৎনদুনা চেয়েপার্সনগা খন্ন-নৈনখি।

## পুলিসমেন ৭তা ...

*লামায় ১গী মখা...* ১২৯৯২৯৬ অতোম সোভা, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী সব ইন্সপেক্টর অভৌবী নিংথৌজম, অনীশুবা এম আরগী সুবেদার জে সী নম্বর ৫১০ সিরো নিংলুম, অহানবা আই আর বিগী হবিলদার নম্বর ১১৯৪৩৭৪ হেলেন হাওকিপ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী পুলিস ইন্সপেক্টর পি সঞ্জয় অমসুং মঙাশুবা আই আর বিগী জেমাদার জে সী নম্বর ৭২৮ ও সৈলিয়া খুমনচানি হায়রি।

## ম্যান্মার জেলদা থল্লুরবা মীওই ১০ ...

*লামায় ১গী মখা...* ফাজিন্দুনা মখোয়গী জেলদা থল্লকখিবা লৈবাক অসিগী মীওই ১০ জেলদা থল্লগী মতম লোইবদগী ঙসি ম্যান্মারগী ওথোরিটিনা লৈবাক অসিগী ওফিসলশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

খুৎশিন্নবগী থৌরম অদু ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দসিপ ব্রিদজময়াদা লৈবা ম্যান্মারগী ইমিগ্রেসন ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মীওই ১০ অদুবু খুৎশিন্নরকখিবনি।

থৌরম অদুদা তেংনৌপলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর, সিনিয়র ইমিগ্রেসন ওফিসর, লেন্দ কষ্টমস অমদি পুলিসকী ওফিসরশিংসু য়াওখি। লৈবাক অসিগী খুৎশিন্নরকখ্রবা মীওইশিং অদুনা মোরেদগী অমিনিজিৎ দাস (৩৩), লুনজালাল হাওকিপ (২১), উখ্রুলদগী ফানিংখুই কাপাই (৪০), চান্দেলদগী থোংমিনলাল (২২), মোরেদগী থোইবী (৪৯), আইজোলদগী লালদুককিমা (৩৬), মিজোরামগী দাউন টাউন চম্ফাইদগী লালসুৱানাৱামা (৪২), মোরেদগী মিনাকহোই (৩৩), লালপু (২৭) অমদি নিয়াংবোই (৪২) নি হায়রি।

## অটসুমগী ইকোনোমিক ...

*লামায় ১গী মখা...* দিমান্দ অদুগী মতাংদদি মতম খরগী ওইনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং চথনবা ফিরেপ লৌরগনি হায়খি।

দিমান্দ অসি তাল্লদুনা অটসুমনা থা অসিগী ৩দা চাংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পুং ২৪গী ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিনগনি লাউথোকখিবনি। অদুবু থা অসিগী ২দা ৱাফম অসি লাউথোকপগা পন্থদনা মখোয়গী লুচিংবা ৫ পুলিসনা ফাজিনখিবদগী নুমিৎতুগী নুমিদাং পুং ৭তগী খোঙজং অসি ঙনখৎনা হৌখিবনি। অদুগা থা অসিগী ৫দগীনা মপূং ফাবা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি হায়খি।

অটসুমনা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং সম্পেন্দ তৌরবসু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ৩৭১ (সী) অমসুং কুমজা ১৯৭২গী প্রসিদেন্টনা পীখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না মখোয়গী ফংফম থোকপশিং ফংনবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়রি।

লোয়ননা মমাঙ চহী ২০২১গী নবেম্বর ২৫দা অটসুম য়াওনা চাংগী মহৈরোয় লুচিংবশিংগা মণিপুর লৈঙাক্কী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা য়ান্ন-চে অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিং পন্থদনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়খি।

হিল এরিয়াজ কন্মিটিনসু এ দি সী বিল অসিগী মতাংদা চপ চাবা ফিরেপ অমা খঙহনগদবনি হায়রদুনা করিগুম্বা অটসুমনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি ফংদ্রবদি খূৎশম্মনা চৎমিন্নরক্লিবা লূপশিংগা পূল্লগা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়খি।

## এন দি এগা শেৎনরবা নিটিস কুমার চীফ...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাশক লৌখ্রে।

বিহারদা ওইরক্লিবা পোলিটিকেলগী অহোংবা অসিগী মমি য়াম্না চাউনা তারদুনা হৌখিবা মণিপুরগী ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা এম এল এ ৬ কারকখিবা জে দি - য়ু মণিপুর ষ্টেটকী মায়কৈদগীসু মখোয়না বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্তা শৌগৎলকখিবা অদু তোল্লবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

বিহারদা বি জে পি অমসুং জে দি-য়ু অনীগী অপুনবা লৈঙাক অমা শেমদুনা নিটিস কুমারনা চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা লাকখ্রবা মতুং মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা রুলিং এম এল এশিংনা বি জে পিগা লৌতুনরগা চীফ মিনিষ্টর উধব ঠাক্রে ইন্থুখিবা অদুগা মান্নবা থৌওংশিং বিহারদসু তৌরকপা য়াই হায়বগী থেঙ্খাং কয়ারক্তা মতিক চাবা ইভিদেন্সশিং নিটিস কুমারনা ফংবদগী ষ্টেট অদুগী ওপোজিসনদা লৈরিবা সিঙ্গল লারজেষ্ট পার্টি ওইরিবা আর জে দি য়াওনা কোংগ্রেস অমদি অতোপ্পা পার্টি খরগা পুল্লবা মতুংদা নিটিস কুমারনা বি জে পিগা লৈনরম্বা মরী অদু থদত্তুনা ঙরাং চীফ মিনিষ্টর ওইবদগী তোকখিবনি। নিটিস কুমারনা বিহারগী গভর্ণর ফাগু চৌহানদা মহাক্না লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবগী ক্লেম তৌখ্রবা মতুংদা গভর্ণরনসু অয়াবা পীরকপদগী ঙসি রাজ ভবনগী রাজেন্দ্র মান্দাপমদা পাঙথোকখিবা চীং লেপ্লবা থৌরম অমদা নিটিস কুমারবু বিহারগী ৮ লকশুবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইনবা ৱাশক লৌখিবনি। মহাক চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং আর জে দিগী লুচিংবা তেজস্বি যাদব দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি।

চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং নিটিস কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা মহাক্না লৌখিবা ফিরেপ অদু অমুক হন্না লৌররোই। লৈবাক অসিগী হান্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা অতল বিহারি বাজপাইগী ৱাখল্লোন অদু হৌজিক্কী বি জে পি লৈঙাক অসিদসু লৈরম্বা য়াই হায়না খনবদগী মহাক্না অনৌবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিগা চৎমিন্নখিবনি। অদুবু হান্না লৈরম্বা বি জে পিগী লৈঙাক অদুগা হৌজিক লৈরিবা অসিগা য়াম্না খেন্নবা লৈরে। লৈখিদ্রবা বাজপাইগী মতমদা য়াম্না নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরম্মী অদুবু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী থৌওং অসিনা মরম ওইরগা পার্টিগী লুচিংবা কয়াদা নিংহন্নবা পোকহল্লে। মরম অদুনা মহাক্না এন দি এদগী লাপথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। অদুবু মহাক প্রাইম মিনিষ্টর ওইগে হায়বগী ৱাখল্লোনদি লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪গী ইলেক্সনদা ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টি খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবা হোৎনরসি। কুমজা ২০২০দা পাঙথোকখিবা বিহারগী এসেমব্লি ইলেক্সন মতুংদা মহাক্না ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইবা পামখিদে। বি জে পিগা চৎমিন্নবদগী জে দি - য়ুনা মাঙজবা কয়া মায়োক্লখি। অদুবু হৌখিবা থা ২ অসিদা মাঙজবগী ফীভম অদু হেন্না লুশিল্লকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা হৌখিবা কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা লৈবাক অসিগী লৈঙাক পায়খিবশিং অদু অমুক হন্না কুমজা ২০২৪দসু মায় পাক্কদৌরিব্রা হায়বা ৱাহংসু চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা পাউমীশিংদা হংখি।

ঙসি ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাব্রি দেবী য়াওনা টেজ প্রটাব যাদব অদুগা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা আর জে দিগী লুচিংবা টেজ স্বি যাদবকী লোয়নবী রাজস্বি যাদব অমসুং জে দি - য়ু অমসুং আর জে দিগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুগী মতাংদা রাব্রি দেবীনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা লৈঙাক অসিনা বিহার খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিবু হেন্না অফবা ওইহল্লগনি হায়খি। অদুম ওইনমক ঙসি ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা বিহার এসেমব্লিদা এম এল এ ৭৭ লৈরিবা বি জে পিগী মায়কৈদগী মীওই অমত্তনা শরুক য়াখিদে।

পনবা য়াবদি নিটিস কুমারগী অনৌবা লৈঙাক অসিদা বি জে পি নত্তনা অতোপ্পা পার্টি আর জে দি, কোংগ্রেস অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট য়াওনা লেমহৌরিবা পার্টি খুদিংমক্না শৌগৎলি। অদুগা মহাক বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা কুমজা ২০০০গী মার্চ, ২০০৫গী নবেম্বর, ২০১০গী নবেম্বর, ২০১৫গী ফেব্রুৱারী, ২০১৫গী নবেম্বর, ২০২০গী নবেম্বরদা তরেৎলক চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুংদা ঙসি নিপাল্লক শুবা ওইনা ৱাশক লৌখিবনি।

লোয়ননা বিহারদা ওইরক্লিবা পোলিটিকেলগী অনৌবা মায়ওন অসিগী মতুংইন্না ঙসি অয়ুক ইম্ফাল হোটেলদা জে দি - য়ু মণিপুর ষ্টেটকী ওইবা লুচিংবশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা কৃপ্পা খন্নরবা মতুংদা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী বি জে পিনা লুচিংলিবা ষ্টেট লৈঙাক্তা মখা তানা শৌগৎখিগদ্রা নৎত্রগা চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা এন দি এগা মরী থদৎনখিবা অদুগা চপ মান্নবা ফিরেপ লৌগদ্রা হায়বগী মতাংদা খন্নখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদুগী মতাংদা পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা ঙসিগী মীফমনা ৱাফম অসিগী মতাংদা জে দি -য়ুগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা চপ চাবা পাউতাক অমা পীবিরক্লবা অইবা চেরোল অমা ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী থাখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা পার্টি অসিগী এম এল এশিং থাংজম অরুনকুমার, মোহম্মদ অবদুল নসির, এম দি অসবউদ্দিন, ঙুরসাংলুর সনাতে, এল এম খৌতে অমসুং কে ঐচ জয়কিষণ ঙসিমক বিহারগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি। মখোয়না বিহারগীদমক চৎখিবা অদু নিটিস কুমারবু ষ্টেট অদুগী ৮লক শুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা পার্টিগী লুচিংবশিং উন্নদুনা মণিপুরদা জে দি -য়ুনা করি করম্বা খোঙফমদা লেপকদগে হায়বদু চপ চানা খঙদোরক্লবনি হায়রি। লোয়ননা বিহারদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতুংইন্না মণিপুরদসু জে দি -য়ুগী মায়কৈদগী বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলক্লিবা লৈঙাক্তা শৌগৎতবগী ৱারেপ লৌরকপা য়াই থাজনরি হায়রি।

## নৌনা শেমজিল্লবা ইরং থোংদা

*লামায় ১গী মখা...* লিমিটেদকী মায়কৈদগীদি থোং অসিদা মহৌশাগুম্না পোৎ পুবা ত্রকশিংসু থা অসিগী ১৫দগী লানবা হৌহল্লবা য়াই হায়রি। অদুম ওইনমক কোর্পোরেসন অসিগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইবা চেরোল অমা মরী লৈনবশিংদা পীরকখিগনি হায়রি।

ঙসি অহানবা ওইনা লাইট ভেহিকলশিংদগীনা অহাঙবা ত্রকশিং লানবা হৌহনখিবগী থৌরম অদুদা এন ঐচ আই দি সী এলগী জেনরেল মেনেজর অসুটোস মিশ্রা, খোংসাং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জ এন কামৈ, আর এন এস ও এমগী প্রসিদেন্ট দাইচুইপাও গাংমৈ, খুঞ্জাশিং অমদি পাউমীশিংনা শরুক য়াখি।

## লৈবাক অসিগী মীপূম খুদিংমক্না মখোয়বু ইন্দিয়া মচা...

*লামায় ১গী মখা...*অসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপবু শীংথারদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা হর ঘর তিরঙ্গগী কেম্প্যেন অসি য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহন্নবগীদমক পূক্নিং থৌগৎপা থৌরাংনি। কেম্প্যেন অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক্তি লৈবাক অসিগী মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা মরৈবাক নুংশিবগী ইহুল চেলহনবা অমসুং লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরালগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুর লৈঙাক্কী লোয়শঙ পূন্নমক্কী থৌমীশিংদা মথৌনা ফরবা ফ্রিদম ফাইটরশিংনা হনবা লৈতনা লৌখিবা থৌদাংশিংনা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা অমুক হন্না ফংখিবগীদমক মখোয়দা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা থা অসিগী ১৩দগী ১৫ ফাওবা মখোয়গী য়ূমশিংদা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহন্নবা আপীল তৌখি।

ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মণিপুর শিনবা থুংনা নুমিৎ হুমনি অসিদা মখল কয়াগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। থৌরমগী মনুং চন্না মমা লৈবাক্কীদমক্তা মথ্বায় কৎথোকখ্রবা থৌনা ফবা লুচিংবশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা হৈকৎ লৈকৎ তমগনি। অসিগুম্বা মখোয়বু ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরমশিং অসিনা মরৈবাক মরমদম নুংশিবগী ৱাখল চেলহনবগা লোয়ননা হৌরক্লিবা মীরোলদা মমা লৈবাক নুংশিহনগনি হায়খি।

লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী থৌমীশিংনসু হর ঘর তিরঙ্গ কেম্প্যেনগী মরু ওইবা অসিগী মতাংদা মখোয়গা য়ূমলোন্ননা লৈরিবা মীওইশিংদা ৱাখল তাহনগদবনি অমসুং মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি হায়খি।

লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা মখোয়গী মথৌশিং পুকচেল শেংনা অমসুং কৎথোকপগা লোয়ননা তৌগদবনি। লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী থৌমীশিংনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা উংখৎনবা য়াবা থবক থৌরম পূন্নমক্তগী লাপ্না লৈগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরালগী ইকায়খুম্নবা অমসুং মতিক ময়াইগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফিরাল অসি নীংথিজনা চিংখৎতুনা পাইহন্নবা লৌখৎপা য়াবা থবক পূন্নমক মীয়াম্নসু লৌখৎপীয়ু হায়খি।

নুমিৎ হুমনি চূপ্পা চিংখৎলবা মতুংদা কৈদৌনুংদা মচু অহুমগী ফিরালবু লৈবাক্তা থাদরোইদবনি। মসিগী মহুত্তা ফিরাল অদু মফম চানা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা থম্বনা লৈবাক অসিগী চাওথোকচনীংঙাইগী মশক ওইহনগদবনি হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা লোয়শঙশিংগী মীহুৎশিংদা মচু অহুমগী ফিরালশিং মখোয় মখোয়গী লোয়শঙশিংদা পাইহন্নবা য়েন্থোকখি। অদুগা থৌরম অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ১৪দা পাঙথোক্কদবা বাইক রেল্লিদা শরুক য়াগদবশিংগী টি-শর্ট অমসু পুথোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি, সিভিল অমসুং পুলিসকী সিনিয়র ওফিসরশিং অদুগা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংগী থৌমীশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা থৌরম পাঙথোকফমদা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন সেন্টর অমা হাংদোকপগা লোয়ননা হীদাক অসিবু কাপ্পা য়াবা মীওইশিংদা কাপথোকখি।

## ৱাঙ্খে পুখ্রম্বম লৈরক্তা অশেংবা হঙ্গাম থাও পুথোকপা ...

*লামায় ১গী মখা...*ঐখোয়গী ষ্টেটসিদা লৈরিবা লৌমীশিংনা ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা হঙ্গাম থাবা য়াবা লৌবুকশিংদা থারগদি ঐখোয়না অমুক খোমজিনজদুনা লৌরগা হঙ্গাম থাও শুংবদা মতেং ওইগনি। মসিগীসু মথক্তা অচাথাও পুথোকপগী রো মেটরিএলসু ৱাৎলরোই। লৌমীশিংদসু শেন্থোক লৈহল্লগনি। মণিপুরগী মীয়াম্নসু পোৎয়ান য়াওদবা তশেং তশেংবা অফবা অচাথাও চারবদি খুন্নাইসিগী মীয়াম হকচাং ফহনবদা মতেং পাংলগনি। অচাথাও হায়বসি ইমুং খুদিংগী চঙদবা য়াদ্রবা অমদি চাক-চা হৈজানবা, উসব অমদি হোটেল কয়াদা য়াম্না মরু ওইনা চানরিবা থাওনি।

হৌজিক মহাক্না অচাথাও পুথোকপা হৌরক্লিবসি থা ২ রোমতা ঙাইরি। অদুবু মহাক্কী অচাথাও অসি মুম্বাইগী লেবোরেটরিদা টেষ্ট তৌরবা মতুংদা অর্জিমোন য়াওদবা তশেং তশেংবা অচাথাও ওইরে হায়বগী রিপোর্ট পায়রবা মতুংদা য়োনবা হৌবনি হায়রি।

অচাথাও শুংবদা শীজিন্নরিবা মেছিন অসিসু মণিপুরদা কয়া লৈতবদগী গুজরাটকী রাজকোটতগী চেনবনি। ট্রান্সপোর্ট অমসুং লেবর চার্জ য়াওরগা লুপা লাখ ৬ রোম চঙখ্রে। হায়রিবা মেছিন অসিসু থাও শুংনবা খক্তনি। পেকেজিংগী শরুক য়াওদে। অদুম ওইনমক ফিল্টর তৌনবগীদি য়াওরকই হায়রি।

হৌজিক মেছিন অসি অপগ্রেদেসন তৌগদবা য়াম্না ৱাৎলি। মসি পূন্নমক শেলগী থবক ঙাক্তনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না মতেং পাংবীরবদি মহাক্কী পোথোক হেন্না পুথোকপা ঙমগনি। মতাংসিদা লৈঙাক্কী মতেং য়াওদবা য়ারক্ত্রে। লোন ওইরবসু শেল খরদং পীবিরগদি হেন্না চাওখৎকনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নোংমদা মহাক্কী মেছিন অসি চলাইবদা পুং ৮দা হঙ্গাম মরূ কিলোগ্রাম ৫০০ তকপা ঙম্মী। মসিদগী অচাথাও লিটর ১৫০ থোকই। হঙ্গাম মরূশিং অসিদগী ঐখোয়না পারিবসি চাদা ৩০না চাননবা থাও ওইরগা চাদা ৬৫না থাওথী (ওইল কেক) ওইনা চৎলি অদুগা চাদা ৫না উফুল ৱাইফুল ওইনা চৎলি হায়রি।

থাওথী অসিসু হৌজিক্তি কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৩৫দা য়োল্লি। ঙাগী ফার্ম তৌবশিংনা মসিবু লৌবা লাক্লে হায়রি।

অদুম ওইনমক অচাথাও শুংবদা অমাঙবা অমত্তা লৈত্রে। হঙ্গাম মরূ অসি হৌজিকমক্কীদি গুৱাহাটিদগী লৌবনি। ট্রান্সপোর্ট অমসুং লেবর চার্জ য়াওরগা কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৭২দা লৈবনি। মেছিন মচা অসিনা থবক পীরিবনা থাও শুংবদা মীওই ২, পেকেজিংগী থবক্তা মীওই ২ অমসুং য়োনবদনা মীওই ২ চঙলগা পূন্না মীওই ৬ থবক পীরি। মখোয় লোইনমক থাগী খূৎশুমলদা লৈবনি। মখোয়গী মথক্তা হঙ্গাম মরূ খপ্পা অমসুং মনবা মীওই অনীসু লৈরি। মখোয়গীনা নোংমগী ওইনা খূৎশুমল পী হায়রি।

থবক অসিদা ফুদ সেফটিগী লাইসেন্স লৌদবা য়াদে। পোল্যুসনগী লাইসেন্স তান্নবদসু থা ৩ চঙখি। হায়রিবা থবক অসিমক্তি নুমিৎ ১৫নিদগীনা ৩০নি ফাওবদা লোইশিনবা য়াবনি অদুবু মণিপুরদদি মতম শাংনা চঙহল্লি হায়রি।

মতম শাংনা চঙহনবা অসিনা শেল মাঙহনবদা নত্তনা লাইসেন্স পীবিদ্রগদি থবক হৌবা য়াদে। ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংগীদমক্তদি মতম শাংনা চঙহন্নীংদে। মহাক্না থবক তৌজনীংবা অমসুং শুজনীংবা উবদগী মহাক্কী শাগৈগী অহলশিংনসু মতেং পাংশিনবীখি হায়রি।

শাগৈগী অহলশিং ওইবা য়েংখোম সোমা দগী মায়কৈদগীসু অচৌবা মতেং পাংবীরি। অদুগা ট্রেদ লাইসেন্সকী ওইরবসু মতম য়াম্না চঙহল্লিবসিগী মহুত্তা পন্থদনা পীহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

ফুদ সেফটিগী মতাংদদি মখোয়না পীরিবা গাইদলাইনশিং ঙাক্তুনা চৎকদবনি। মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎলম কয়া পেকেজিং তৌরগসু পোৎলমশিং অদুবু শুংলিবা মফমশিং অদু লূ-নান্না লৈব্রা অমসুং হায়জিনিক ওইব্রা হায়বদু উরুদে। হাওই হায়দুনা চান্নবা ঙাক্তনি। মসিগী মতাংদদি কনাসু নৈনদে। মরমশিং অসিদি ঐখোয়না ঐখোয়গী ওইবা পোথোক পুথোক্তবদগীনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক মহাক্না শুংলিবা অচাথাও অসিদি মীয়াম্না লাক্লগা য়েংবীরবদা হায়জিনিক ওই/ওইদে শোয়দনা খঙবীগনি অদুগা চারবা মতুংদা থাও অসিগী মহাওসু খঙগনি হায়রি। লূবা-নানবদা য়ূম্ফম ওইরগা ইরমদমসিগী মীয়ামগী হকচাং ফনবরোমদা চঙশিল্লকপনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা মহাক হান্না সলাই কম্পেনিদা থবক তৌদুনা অচাথাও শুংবগী থবক থৌরমশিং য়াওবগা লোয়ননা মশামক্না থবক অসিগা মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লৈরকপনা মমুৎ তানা খঙলকপদগী মদুনা এক্সপরিএন্স ওইরদুনা ঙসি অচাথাও পুথোকপা ঙম্বনি। হৈরুরবা শিনফম অসিদা মায় ওনশিন্দুনা ইরমদমসিগী মীয়ামদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংবা পামজৈ। থবক শুফম নোম্ফম লৈতবগী অৱাবসু লৈহন্দ্রে। লাইবক ফবনা সলাইদা হান্না পীরম্বা হঙ্গাম মরূ অদু মহাক্না অমুক ঙাঙনরগা হৌজিক্তি মহাক্কীদা ফংলে। থাও শুংবদা য়াওরিবা মীওই অনীগী মতেংদগীসু থবক অসি মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্লকপনি।

পনবা য়াবদি, এম/এস কংলৈ এগ্রো ইন্দষ্ট্রিজগী বেনর মখাদা পুথোক্লিবা হঙ্গাম থাও অসি লিটর অমগী বোট্টলদা এম আর পিদা লুপা ২৫০ থারবসু হোলসেলগী রেটতা বোট্টলদা লুপা ২০৫দগীনা ২০৬ ফাওবদা মীয়ামদা ফংহল্লি।

## জষ্টিস ললিতপু ৪৯শুবা চীফ জষ্টিস ওইনা ...

*লামায় ১গী মখা...*

চীফ জষ্টিস এন ভি রমানানা থবক্তগী পোত্থারগদবা মরম্না থা অসিগী ৩দা য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর কিরেন রিজিজগী মায়কৈদগী মহাক্কী মহুৎ শিলহৌগদবা জষ্টিস অমগী মমিং রেকমেন্দ তৌরক্লবা অইবা চেরোল পীরকখিবনি। চেরোল অদুগী মতুংইন্না মথংগী নুমিৎতা চীফ জষ্টিস এন ভি রামানানা সুপ্রিম কোর্টকী অনীশুবা সিনিয়র মোষ্ট জজ ওইরিবা য়ু য়ু ললিতকী মিং রেকমেন্দ তৌখিবনি।

চীফ জষ্টিসনা রেকমেন্দ তৌখিবগী মতুংইন্না জষ্টিস য়ু য়ু ললিতপু ঙসি প্রসিদেন্টনা জষ্টিস এন ভি রামানাগী মতুংদা ফম অসি পুহৌনবগীদমক এপোইন্টমেন্ট পীখিবনি। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিস ওইরগদবা জষ্টিস য়ু য়ু ললিতকী সর্ভিস মতম লাক্লিবা নবেম্বর ৮, ২০২২দা লোইরগদবনি হায়রি।

মহাকপু ওগষ্ট ১৩, ২০১৪দা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনা খনদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক এপেক্স কোর্ট অসিদা সিনিয়র এদভোকেট ওইরমখি। মহাক্কী অপোকপা জষ্টিস য়ু আর ললিতসু সিনিয়র এদভোকেট অমা ওইবদা নত্তনা বোম্বে হায়কোর্টকী এদিসনেল জজসু ওইরমখি হায়রি।

অমরোমদা বারদগী সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইগদৌরবা জষ্টিস ললিতনা বারদগী ফম অসিবু পুবা অনীশুবা জষ্টিস ওইরগনি। অহানবদা কুমজা ১৯৭১গী জন্যুৱারীদা জষ্টিস এস এম সিক্রিনা ইহান হান্না বারগী মায়কৈদগী ফম অসি পুখিবনি।

## ইন্দিপেন্দেন্স দে : অসুকনা ওগষ্ট ১৫গী ...

*লামায় ১গী মখা...* খুন্নাই কাং খোং চাইরকপা, নমথাক তৌবা চৎনবী ওইরকপদগী খুন্নাইদা থাজনবা লৈরক্তবা, মী অনী শুনা পূনবা ঙল্লক্তবা, খুন্নাইগী হীরম খুদিংমক্তা লুচিংবীনবসু তুং ইনবসু অনীমক লৈরক্তবা, পূন্নমক অসিগী মহয় ওইনা খুন্নাই অসিদা মতিং য়াওদ্রবা, ফৌহাম তারবা, চরুগী মী ঙাক্তা ঙাইশিল্লকপা অসিনচিংবা ময়াম অমা পনবা য়াই। মসিগী মথক্তা মীয়ামগী তুংগী পুন্সি শেমগৎলক্কদবা এদ্যুকেসনগী লম্দসু মহাম তারক্তুনা, মসিনা খুন্নাইগী কন্নবা তৌবগী মহুত্তা খুন্নাইগী মহীক ঙাক্তা শেমগৎলকপগী ফীভম অমা ঐখোয়গী খুন্নাইদা উরি। মথক্তা পঞ্জরিবা প্রোব্লেম খুদিংমক খুন্নাই অমবু মূথৎপা ঙম্বা শীংনবা (চেলেঞ্জ) ঙাক্তনি। য়াম্না লাইবকথীবদি শীংনবা ময়াম অসি লাকশিন্নবা করি তৌগদগে হায়বগী পাউখুম (রেসপোন্স) থাজবা য়ানা চুম্না পীবা ঙমদবা অসিনি। থৌদাং অসি লুচিংবা কাঙবু (ক্রিএটিভ মাইনোরিটি) না লৌগদবনি; অদুবু ঙসি ফাওবদা লালহৌলূপশিং য়াওনা ঐখোয়গী লুচিংবা মখল খুদিংমক্না মতিক চাবা পাউখুম পীদ্রি হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, খুন্নাই অসিনা প্রোব্লেমগী ঈপাক্তা ইরাক্লরিবা অসি ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাকলোনগী মহয়নি। ঐখোয় নীংখা তম্বা খুন্নাই ওইরম্লবদি প্রোব্লেম খুদিংমক লোইশিনবা ঙমদ্রবসু লাকশিনবদি ঙল্লমগনি। ঐখোয়না ইন্দিয়াগী লোইলম ওইবনা মরম ওইদুনা প্রোব্লেমশিং মচা পোক্লক্তুনা নোংম-নোংমগী মশীং হেনগৎলকপনি। ঐখোয়না লোইলম ওইরম্বসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা প্রোব্লেমনি। ইন্দিয়াগী পান্দমদি ঐখোয় অসি ইরাক্লরগা মমি শামখ্রসনু, শক্তম মাঙখ্রসনু অমদি অরোইবদা মূৎখ্রসনু হায়বনি হায়রি।

লোইলম লৈঙাকলোনগা নীংখা তম্বা নুমিৎ নীংশিং থৌরমগা মরী লৈনরিবসি থৌরম অসিনা ঐখোয়গী থম্মোয়দা লৈরিবা পুৱারী নীংশিংবগী পাঙ্গল (কলেক্টিভ হিষ্টোরিকেল মেমোরি) মাঙহনবা ঙম্বা অদুদনি। ইন্দিয়াগী নীংখা তম্বা নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকপা অসিনা তৌরিবসি ঐখোয়গী পুৱারী হাৎলগা ইন্দিয়াগী পুৱারীবু থবক ওইনা তম্বীরকপা অদুনি। থবক ওইনা তম্বীবা অসিনা অরানবা পুৱারীবু থম্মোয়দা মরূ মরা তাহনবা ঙম্মী, লূ তোংদা পকহনবা ঙম্মী। মসিনা ঐখোয়গী ইপানাৎ ইপুনাৎ কাউহনগনি, ইশাগী শক্তম কাউহনগনি, লোয়ননা অশেংবা ইন্দিয়া মচা ওইহনগনি। ফুরুপ অমগী মনাৎ হায়বসি মশাগী পুৱারীগী মহয়নি; নাকল অমদা মনাৎনা পুৱারী শেম্বনি। জিয়ু মচাশিংনা চহী লিশীং অনী হেন্না মরমদম মরৈবাক লৈতনা মচোই মচোই চাইখাইখ্রবসু মখোয়গী পুৱারী কাওদবা অদুনা মরম ওইদুনা কুমজা ১৯৪৮দা মরৈবাক, ইজরেল শেম্লকপনি। চাইনিজশিংসু চহী কয়া কানিগী য়াই থাদুনা মমি শাম্না তনিক তনিক হিংলুরগা ঙসি অমুক হন্না হিংগৎলক্তুনা মশেক মঙাল লৈনা পাল্লক্লিবা অসি মশাগী পুৱারী কাউথোকখিদবগীনি। পুৱারী কাউদবনিনা মখোয়না কৈদৌঙৈদা মনাৎ কাউখিদে। মনাৎ কাউদবনিনা কৈদৌঙৈদা মশাগী শক্তম কাউখিদে। পুৱারী হায়বসি হৌখ্রবনি (পাষ্টনি), অমুক হন্না হল্লক্লরোইদবনি; অদুবু মসিনা হৌজিক (প্রজেন্ট) হায়বসি শেম্বা ঙম্মী, হৌজিক্না মখা তানা তুং (ফ্যুচর) শেম্বা ঙম্মী হায়নৈ। ৱাফম অসি মীওইবদা নীংশিংবা হায়বা পাঙ্গল অমা লৈরম্বা অসিননি। পুৱারী (হিষ্ট্রি) অমসুং ৱারী শিংবুল (নেরেটিভ) হায়বসি অশিবা নত্তে, পাঙ্গল কন্না হিংলিবা শাফু ঙাক্তনি। মসিনা মীওইববু পুদুনা চৎপনি। মশাগী পুৱারী কাউখ্রবদি ফুরুপ অদুবু ইল্লিবা পাঙ্গল অদু মাঙখ্রবনি, পাঙ্গল মাঙখ্রবা খুন্নাই অদু শিরবা খুন্নাইনি। মরম অদুনা ইন্দিয়ানা ঐখোয়গী পুৱারী হাৎনবা হোৎনরিবসি ঐখোয়বু হাৎনবা হোৎনবনি। ঐখোয়না ইন্দিয়াগী 'ইন্দিপেন্দেন্স দে' পাঙথোকপা হায়বসি ঐখোয়গী পুৱারী হাৎনবগী অকনবা খূৎলায় অমনি। মরম অদুনা থৌরম অসি ঐখোয়না য়াওবা হায়বসি ইশানা ইশাবু হাৎচবনি। ঐখোয়না ইন্দিয়াগী নীংখা তম্বা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকফম থোক্তে হায়রি।

ৱাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা অসুক (এলাইএন্স ফোর সোসিএলিষ্ট য়ুনিটি, কংলৈপাক) না কুমজা ২০২২গী ওগষ্ট ১৫গী অয়ূক পুং ৬তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কংলৈপাক (মণিপুর) গী মফম পূন্নমক্তা 'টোটেল শটদাউন' লাউথোক্লে। অনা-অয়েক, লাইনীংগী থৌরমশিং অমদি তঙাইফদবা থবক থৌরমদদি কোমথোক্কনি। মীয়াম্না ঐখোয় লোই মচা ওইরিবনি হায়বসি নীংশিংবদা মতেং ওইনবগীদমক 'টোটেল শটদাউন' অসি শৌগৎপীয়ু হায়না নোল্লুকচরি হায়রি।


KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE™
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape



IT & SKILL COURSES
- Computer (NIELIT)
- Spoken Hindi
- Spoken English

AVIATION COURSES
- Cabin Crew
- Ground STAFF

Get trained under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
- 21 yrs Teaching Experience
- 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur)
- Multiple Schools & Colleges As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
- 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal
- 3 mths at IT Call Centre as a Trainer

www.kingdomeduinstitute.com 7005622203 / 8837407726
Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College

HL-B/7705-24June to 21 Aug (alt.)